# সোমালিয়াদা য়ু এসনা এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে, অল-সাবাবকী মিলিটেন্ট ১৫০ হেন্না হাংখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ০৮ (এজেন্সী) ঃ

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সোমালিয়াদা এয়র ষ্ট্রাইক চথদুনা অলকাইদাগা মরী লৈনবা ইস্লামিষ্ট গ্রুপ অল সাবাবকী ফাইটর ১৫০ হেন্না হাংখ্রে। গ্রুপ অদুনা পাক শন্না লান্দাবগী থবক অমা চথনবা শেম শাখ্রে হায়বা য়ু এস ইন্টলিজেন্সকী পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা এয়র ষ্ট্রাইক অদু চথখিবনি হায়না পেন্টাগোন্না হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মী তোংবা এয়রক্রাফট অমসুং মী তোংদবা এমকিউ-৯ রিয়েপর দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা চথখিবা থাংজ নুমিৎকী এয়র ষ্ট্রাইক অদুনা অল সাবাবকী "রাসো' ট্রেনিং কেম্পতা টার্গেট তৌখি হায়রি। রাসো ট্রেনিং কেম্প অদু কেপিটেল মোগাদিসুদগী অৱাংলোমদা মাইল ১২০ লোম লাপ্পা লৈবা ফেসিলিটি অমনি হায়রি।

এয়র ষ্ট্রাইক অদু চথদ্রিঙৈ মমাঙ চয়োল কয়ামুক চুপ্পা য়ু এস মিলিটরিনা কেম্প অদু মোনিটর তৌরকখিবনি অমসুং কেম্প অদুদা লৈরিবা মিলিটেন্টশিং অদুনা য়ু এস ফোর্সশিং অমসুং অফ্রিকান য়ুনিয়নগী পিছকীপ্পরশিংদা পাক শন্না এটেক চথগদৌরে হায়বগী অরোনবা পাউসু খোমগৎতুনা লাকখি হায়না ওফিসলশিংদুনা হায়খি।

য়ু এস এয়র ফোর্সকী সেক্রেটরি দোবোরাহ লী জেমসনা এয়র ষ্ট্রাইক অদু মশা ঙাকথোকচবগী মওংদা চথখিবনি হায়খি।

"অল সাবাবকী ফাইটরশিংদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা য়ু এস অমসুং ঐখোয়গী পার্টনরশিংদা হকথেংননা চৈথেং পীগদবা মিসনশিং পায়খৎলক্কদৌরে হায়বগী ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট লৈখি" হায়না জেমসনা পাউমীশিংদা হায়খি।

মিসনশিং অদুগী টার্গেটশিংদি সোমালিয়াদা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সশিং অমসুং অফ্রিকান য়ুনিয়নগী ফাইটরশিংনি হায়খি। তৌইগুম্বসুং অহেনবা অকুপ্পা মরোলদি ফোঙদোকখিদে।

পেন্টাগোনগী স্পোক্সমেন কেপ্টেন জেফ দাবিসনা হায়খি, য়ু এসনা থ্রেট অদু শোয়ররোই অমসুং অল সাবাবকী ফাইটরশিং অদু অথুবা মতমদা কেম্পতু থাদোক্লগনি হায়না থাজখি।

সোমালিয়াগী ফোরন মিনিষ্টর অব্দুসালাম ওমরনা হায়খি, এটেক অদু চথদ্রিঙৈগী মমাঙদা সোমালি ইন্টলিজেন্স এজেন্সীনা য়ু এসতা মিলিটেন্টশিংগী কেম্পতুগী মরমদা পাউ পীখি।

"অসিগুম্বা থবক অমা পাঙথোকপদা গ্রাউন্দদা অরোনবা পাউ খরা পীথোক পীশিন তৌনৈ। ঐখোয়গী ইন্টলিজেন্সনা ফজনা মতেং পাংখি" হায়না ওমরনা রোইটর্জদা হায়খি।

অল কাইদাগা মরী লৈনবা অল সাবাবপু কুমজা ২০১১দা অফ্রিকান য়ুনিয়নগী পিছকীপ্পরশিংনা মোগাদিসুদগী তকথোকখিবনি তৌইগুম্বসুং গ্রুপ অসি সোমালিয়াদা গভর্ণমেন্টকী খোঙথাংশিংদা অচৌবা খুরৌ অমা ওইদুনা লৈখি। মখোয়না নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টবু চিংথুনবা হোৎনবদা এটেক কয়া তত্তনা চথদুনা লাকখি।

ইংলিশতা 'দ য়ুথ' হায়না ৱাহন্থোক পীবা অল সাবাব মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুগী পাফমদি সোমালিয়াদা সারিয়া লোগী অকনবা ভর্সন অমা চৎনহন্নবা হোৎনবনি। গ্রুপ অসিনা কেপিটেলদা লৈবা সিক্যুরিটি অমসুং গভর্ণ-মেন্ট বিল্ডিংশিং লোয়ননা হোটেলশিং অমসুং রেষ্টোরন্ট কয়াদা এটেক কয়া তোয়না চথদুনা লাকখি। অল সাবাবনা সোমালিয়াদা লৈবা অফ্রিকান য়ুনিয়নগী পিছকীপ্পরশিংদা ট্রুপ কয়া কনট্রিব্যুট তৌরিবা কেনয়া অমসুং য়ুগন্দাদা শাথিরবা এটেক কয়া চথবা লৈখ্রে।

য়ু এসকী দ্রোন এটেক অদুনা অল সাবাবতা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি হায়না ওমরনা ফোঙদোকখি।

দাভিসনা হায়খি, এয়র ষ্ট্রাইক অদু চথবা মতমদা রাসো কেম্প অদুদা ফাইটর ২০০ রোম ট্রেনিং তৌদুনা লৈ হায়না থাজনখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না এটেক অদুদা মীচমশিং শিবা শোকপদি থোকখিদে হায়বগী অচেৎপা থাজবা ফোঙদোকখি।

"কেম্পতুবু থুগাইখিবসিনা সোমালিয়াদা অল সাবাবনা তৌগে খল্লিবা ফত্তবা থবকশিং পাঙথোক্লবগী পাঙ্গল হন্থরগনি" হায়না দাভিসনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না, সোমালিয়াদা পায়খৎনবা হোৎনরিবা অল সাবাবকী থবকশিং অদুদা অনৌবা মেম্বরশিং রিক্রুট তৌবা, অনৌবা বেজশিং লিংখৎপা অমসুং য়ু এস অমসুং অফ্রিকান য়ুনিয়নগী ফোর্সশিং এটেক তৌনবা থৌরাংবা য়াওরি।



## সাউথ চাইনা সীগী ক্লেমদা চাইনানা খোঙফম হল্লোই : ৱাং য়ি

বৈজিং, মার্চ ০৮ (এজেন্সী) ঃ

চাইনানা ষ্টেটটেজিক্কী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা মফমনি হায়না লৌরিবা সাউথ চাইনা সীগা মরী লৈননা লৈরিবা লৈবাক অসিগী সোভরন রাইটশিংদা অতৈ লৈবাকশিংনা য়েৎশিন ফেজিল্লকপগী থবক থৌওং য়ারোই হায়রদুনা ঙসি চাইনাগী ফোরন মিনিষ্টরনা সাউথ চাইনা সী অপুম্বা মহাক্কী লৈবাক্না ক্লেম তৌরিবদুগী মতাংদা অকনবা ফিরেপ অমা উৎখ্রে।

বৈজিংদা চহীগী ওইনা পাঙথোকপা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা হায়খি, লমদম অদুদা অতোপ্পা লৈবাক অমনা ফ্রীদম ওফ নেভিগেসনগী ক্লেম তৌবনা লৈবাক অদুনা পাল্লিবা খূদিংমক তৌবা য়াবগী রাইট পীগদবা নত্তে হায়না চাইনানা খুৎশেমগী ঈথৎ শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎলিঙৈ হন্দক্তা য়ু এসনা সাউথ চাইনা সীগী য়েৎনরিবা মফমদা লৈবা রিফশিংগী মনাক নক্না নেভল সিপশিং থৌজিনহনখিবদুদা রিফরেন্স পীরদুনা ৱাং য়িনা হায়খি।

ফোরন মিনিষ্টর ৱাংনা খুৎশেমগী ঈথৎশিংদা মিলিটরি ফেসিলিটিশিং শেমগৎ-শাগৎতুনা চাইনানা লমদম অদুদা মিলিটরিগী মপাঙ্গল শাগৎলে হায়বা এলিগেসনশিংবু নাথৈনবা হোৎনখি। মহাক্না হীরম অসিগী মতাংদা হায়খি, চাইনানা মফম অদুদা পায়খৎলিবা থবকশিং অদু মশা ঙাকথোকচনবগীদমক্তনি অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনা থাংলক্লিবা খোঙথাংশিংদা মিলিটরিগী মীৎয়েং য়াওই, চাইনাদি অসুম্না তৌদে।

"চাইনাবু মিলিটরি পাঙ্গলদা কা হেন্না থাজবা থম্বা লৈবাকনি হায়রিবসি লাল্লি। অসিগুম্বা মরাল শিবা ৱাফম অসিদি অতৈ লৈবাকশিংদনা হেন্না চুনগনি" হায়না ৱাংনা হায়খি।

সাউথ চাইনা সীগী ঈথৎশিং অদু চাইনিজ খূদিংমক্না য়েক্লবশিংগী মীৎয়েংদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনফম থোকপা চাইনাগী লমগা তৎন-থানবা য়াররোইদবা শরুকশিংনি। এরিয়া অদুদা লৈরিবা য়েৎনরিবা ক্লেমশিংগী মতাংদা ফিলিপিন্সনা ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ এর্বিট্রেসনগী কেস অমা পুখৎলক্লিবদুদা কোওপরেসন পীবা তৌরোই হায়না ফোঙদোকখি।

## ইরানগী রিভোল্যুসনরি গার্দশিংনা মিসাইল চাংয়েং তৌখ্রে

দুবাই, মার্চ ০৮ (এজেন্সী) ঃ

ইরানগী মফম কয়াদা লৈরিবা সিলোশিংদগী লৈবাক অসিনা বলেষ্টিক মিসাইল কয়ামরুম কাপ্তুনা চাংয়েং পাঙথোকখ্রে হায়না ইস্লামিক রিভোল্যুসনরি গার্দস কোর (আই আর জি সী)গী ওফিসল ৱেবসাইটনা ফোঙদোকখ্রে।

চাংয়েং অদু ইরানগী দিটেরেন্ট পৱার উৎনবা অমসুং ইস্লামিক রিভোল্যুসনদা লোয়ননা ষ্টেট অমসুং লৈবাক অদুগী সোভরেন্টিদা কিহল্লকপশিংবু থেংনবা ঙম্বা ইস্লামিক রিপব্লিক অদগী পাঙ্গল উখোল্লদুনা পাঙথোক্লিবনি হায়না ৱেবসাইট অদুনা হায়খি। ইরানগী খ্বাইদগী নৌবা বলেষ্টিক মিসাইল চাংয়েংশিং অদু হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী ওক্টোবরদা মিদিয়ম রেঞ্জ ইমাদ মিসাইল চাংয়েং অমা পাঙথোকখিবগীদমক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগী মিলাইল প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা বিজনেসশিং অমসুং মীওইশিংগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমখিবা মতুং থা ২ লৈরগা পাঙথোরক্লিবনি।



য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়খি, হৌখিবা জুলাই থাদা ইরাননা মালেমগী পৱারশিংগা ন্যুক্লিয়ার দিল অমা সাইন তৌনখিবা মতুংদা পাঙথোরক্লিবা মিসাইল চাংয়েংশিং অদুনা ইরানবু ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ পুবা ঙম্বা বলেষ্টিক মিসাইলশিংগা মরী লৈনবা থবক পায়খৎপদা অথিংবা থম্লিবা সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী রিজোল্যুসন ১৯২৯ খোঙ্গাউনৈ।

রিজোল্যুসন অদু হৌখিবা জন্যুৱারীদা ন্যুক্লিয়ার দিল থবক্তা ওন্থোকপগা লোয়ননা লোইশিনখি। তৌইগুম্বসুং ইরানগী মথক্তা অনৌবা রিজোল্যুসন অমা অমুক চৎনরকখি। অনৌবা রিজোল্যুসন অদুনা ইরানবু ন্যুক্লিয়ার খুৎলাইশিং পুবা ঙম্বা মিসাইলশিংগা মরী লৈনবা থবকশিং পাঙথোকপদা অথিংবা থমই।

ইরাননা মতম পুম্বদা লৈবাক অসিগী বলিষ্টিক মিসাইলশিংগা মসিগী য়েৎনরিবা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগা মরী লৈনদে হায়না কন্না হায়দুনা লাকখিবগা লোয়ননা হৌজিক্তি জন্যুৱারী থাদা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়ার দিল অদুগী মখাদা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামদা অকনবা লিমিটেসন অমসুং কন্ট্রোল কয়া থম্লিবনি।

অকক্নবা সাইজগী নত্তনা মিসাইল খূদিংমক থিওরিদদি ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ পুবা ঙমই হায়বা লৈজরবসু ইরাননদি ইমাদ অমসুং লৈবাক অসিগী অতৈ মিসাইলশিং কনভেন্সনেল দিটরেন্ট অমা ওইনা শীজিন্নবনি, অতৈ হীরমগীদমক নত্তে হায়রি।

হন্দক্তা লৈবাক অসিনা পায়খৎখিবা থবকশিং মিসাইলশিংগী এক্যুরেসি ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং থমখি হায়রি। এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, মিসাইলগী এক্যুরেসি ফগৎহনবদুনা কনভেন্সনেল ৱারহেদশিং শীজিন্নবদা হেন্না ইফেক্টিব ওইহনগনি।

## য়ু এস, সাউথ কোরিয়াগী মায়োক্তা হন্না-তুনা য়েংদনা ন্যুক্লিয়ার ষ্ট্রাইক চথগনি : নোর্থ কোরিয়া



সিওন, মার্চ ০৮ (এজেন্সী) ঃ

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা হৌখিবা নিংথৌকাবদগী হৌখিবা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলশিং অদু মখা তানা চথদুনা লৈরবদি মীচঙ লৈবাক অনীসিগী মায়োক্তা "হন্না-তুনা য়েংদবীদা" ন্যুক্লিয়ার ষ্ট্রাইকশিং চথরগনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা কিহনখ্রে।

অচুম্বা ৱায়েলগী প্রি-ইম্পর্টিব ন্যুক্লিয়ার ষ্ট্রাইকনি হায়না ফোঙদোক্লিবা থ্রেট অদু নোর্থ কোরিয়াগী মতিং লৈরবা নেসনল দিফেন্স কম্মিসন্না কোরিয়ন পিপলস আর্মি (কে পি এ)গী সুপ্রিম কম্মান্দগী ৱারোল পল্লদুনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লিবনি। থ্রেটকী ৱারোল অসিমক য়ু এনগী অনৌবা অকনবা সেঙ্কসনশিংগী পাউখুম ওইনা নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং-উননা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়ার খুৎলাইগী পুকৈবু শীজিন্ননিংবা মতম অমদা হেক্তা শীজিন্নবা য়াগদবা মওংদা শেম শাদুনা থম্নবা ওর্দর তৌখিবা নুমিৎ খরনিখক্কী মনুংদা ফোঙদোরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা জন্যুৱারীদা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী মরিশুবা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং পাঙথোকখিবা মতুং ইকুই-কুইদনা হৌখিবা থাদা অশানবা রোকেট অমা থাগৎখিবা মতুংদা য়ু এননা পিয়োংয়াংগী মথক্তা অকনবা সেঙ্কসন কয়া লাউথোকখিবনি। মমাঙদা কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা মিলিটরি টেন্সনশিং ৱাংখৎলকখিবা মতমদা পিয়োংয়াংনা ন্যুক্লিয়ার এটেক চথগনি হায়না ৱার্নিং তৌবসি থেংখাং কয়াদা লৈখ্রবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ খরা লৈ হায়বসি মালেমগী লৈবাকশিংনা থাজবগা লোয়ননা য়ানরে, তৌইগুম্বসুং ৱারহেদশিং অদুবু নীংথিনা মথৌ পাঙথোকপা মিসাইল দেলিভরি সিষ্টেম অমদা হাপচিনবা ঙম্বা লৈবাক অসিগী টেক্নোলোজিগী মতাংদদি এক্সপার্টশিংনা খেন্নবা মোতশিং ফোঙদোক্লরি।

নেসনল দিফেন্স কম্মিসন্না সাউথ কোরিয়া-য়ু এস মিলিটরিগী চহীগী এক্সরসাইজশিং অদু তৌশিন্নবা নত্তবা ন্যুক্লিয়ার ৱার দ্রিলশিংনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং ৱার দ্রিলশিং অদুনা নোর্থকী সোভরেন্টিদা অকিবা পোকহল্লি হায়রদুনা মদুগী পাউখুম ওইনা লৈজবা পাঙ্গল পুম্বা ফুদোক্তুনা ওফেন্সিব চথগনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখি।

"হন্না-তুনা য়েংদবীদা চথগদৌরিবা ন্যুক্লিয়ার ষ্ট্রাইক অদুনা অকন-অরিং শীংবা অমসুং লাল পান্বা কাঙবুশিং অদুদা নোর্থ কোরিয়াগী মিলিটরিগী তৌবা ঙম্বশিং অদু ময়েক শেংনা উৎকনি" হায়না নোর্থকী ওফিসল কে সী এন এ ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার এটেক চথরকপা মতমদা কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা লৈরিবা ওপরেসনেল থিয়েটরশিংদা টার্গেট তৌবদা নত্তনা মেনলেন্দ অমসুং এসিয়া-পেসিফিক রিজনগী অতৈ মফমশিংদা লৈরিবা য়ু এসকী বেজশিংদসু টার্গেট তৌরক্কনি হায়রি।

"করিগুম্বা ঐখোয়না হৌজিক হৌজিকমক য়েক্লবশিং মপুং ফানা মাঙ তাকহন্নবা বটনশিং নম্বা তারবদি ঐখোয়দা কাইহৌনবা লৈরিবা মিলিটরি বেজ খূদিংমক মীৎকুপ্তা মৈরিগী ইপাকতা তিন্দুনা উৎ ওনখিগনি" হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

চয়োল কয়ামুক চুপ্না চথগদৌরিবা "ফোল ইগল" অমসুং "কি রিজোল্ব" হায়না মিংথোনবা চহীগী মিলিটরি এক্সরসাইজশিং অদু য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়ান ট্রুপ লীশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবনি।

## পাক প্রসিদেন্টনা পালেষ্টাইনগী ইসু লৈখায় তানবা হায়খ্রে

ইস্লামাবদা, মার্চ ০৮ (এজেন্সী) ঃ

মতম শাংলবা পালেষ্টাইনগী ৱাথোক লৈখায় তাদ্রবদি মিদ্দল ইষ্টতা মতম চুপ্পগী ওইবা ঈং-চিকপা ফীভম লৈহনবা ঙল্লোই হায়না পাকিস্তানগী প্রসিদেন্ট মামনুন হুশাইননা হায়খ্রে।

পাকিস্তানগী গভর্ণমেন্ট অমসুং মীয়াম্না পালেষ্টাইনগী ইসু অসি মখোয়গীমক্লি হায়না খঞ্জে অমসুং পালেষ্টিনিয়ান ইচিল-ইনাওশিংদা মখা তানা অমসুং চিংনবা লৈতনা সপ্পোর্ট তৌরি হায়বগী অচেৎপা থাজবা পীরি হায়না মহাক্না হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা জাকার্টাদা পালেষ্টাইন অমসুং অল কুদসকী মরমদা পাঙথোক্লিবা ওর্গনাই-জেসন ওফ ইস্লামিক কোওপরেসনগী (ও আই সী)গী ৫শুবা এক্সট্রাওর্দিনরি সেসনদা ৱা ঙাংলদুনা হায়খি।

প্রসিদেন্সিনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, প্রসিদেন্ট মামনুন হুশাইননা পালেষ্টাইনগী প্রোব্লেম অদুগী মতাংদা অথুবা মতমগী মনুংদা সোল্যুসন অমা পুথোকপগী তঙাইফদবদা মীৎয়েং থমখি অমসুং ওক্যুপাইদ আরব টেরিটরি-শিংদগী ইজরেলিশিংনা মপুং ফানা হন্দোকপগী ৱাফম শৌগৎতুনা পাকিস্তাননা মতম চুপ্পদা লেপ্তুনা লৈ হায়না নৌহৌননা পনখি। মহাক্না কুমজা ১৯৬৭কী মমাঙদা লৈরম্বা বোর্দরগী ফীভমদা অল কুদসনা কেপিটেল ওইবা নীংতম্বা ষ্টেট অমা শেম্নবা পালেষ্টিনিয়ন মীয়ামগী মরোমদোম লেপচনবগী তৎন-থাননিঙাই ওইদ্রবা রাইট লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

মামনুননা কুমজা ১৯৪৮গী দিসেম্বর ১১গী য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগী রিজোল্যুসনগী মতুং ইন্না পালেষ্টিনিয়ন রিফ্যুজিশিংগী অৱাবা কোক্নবা অচুম্বা রিজোল্যুসন অমা পুরক্নবা অমসুং রিজোল্যুসন ১৮৬০ য়াওনা সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী রিজোল্যুসন অপুম্বা থবক্তা ওন্থোক্নবসু আপিল তৌখি।

প্রসিদেন্ট মামনুননা ফাজিন্দুনা থল্লিবা পালেষ্টিনিয়নশিংবু থাদোকপা অমসুং লাইনিং লাইশোলগী নীংখা তম্বা হঞ্জিনহনবগী তঙাইফদবসু লৈ হায়না মীফম অদুদা ফোঙদোকখি। "অচুম্বা সোল্যুসনগীদমক্তা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবা" হায়না মিংথোনবা ও আই সীগী সম্মিট অদু পালেষ্টিনিয়ন প্রসি-দেন্টনা হায়জরকপদগী ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবনি।




## EMPLOYMENT NEWS

### SHAMRAO VITHAL BANK RECRUITMENT 2016 – APPLY ONLINE FOR 104 CUSTOMER SERVICE OFFICER & REPRESENTATIVE POSTS

**Shamrao Vithal Bank Recruitment 2016 – Apply Online for 104 Customer Service Officer & Representative Posts:** Shamrao Vithal Co-operative (SVC) Bank has released notification for the recruitment of 104 Customer Service Officer, Customer Service Representative vacancies in Junior Management Grade, Clerical Grade for branches/ offices of the Bank. Eligible candidates may apply online from 26-02-2016 to 14-03-2016. Other details like age limit, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**Shamrao Vithal Bank Vacancy Details:**

**Total No. of Posts: 104**

**Name of the Posts:**

1. Customer Service Officer: 24 Posts
2. Customer Service Representative: 80 Posts

**Age Limit:** Candidates age should not be more than 32 years for post 1, 30 years for Graduates/ Post Graduates/ Double Graduates for post 2 as on 31-03-2016. Age relaxation is applicable as per rules.

**Educational Qualification:** Candidate should possess Graduation from a recognized University with second class securing minimum 50% marks for post 1, Graduation of a recognized University with minimum 45% marks & adequate knowledge of computer application for post 2.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on online examination, interview.

**Application Fee:** Candidates have to pay Rs. 600/- through online by using Debit Cards (RuPay/ Visa/ MasterCard/ Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets.

**How to Apply:** Eligible candidates may apply online through the website www.svcbank.com from 26-02-2016 to 14-03-2016.

**Instructions to Apply Online:**

1. Before applying online candidates should have valid e-mail id, scanned copies of photograph & signature
2. Log on through the website www.svcbank.com.
3. Click on "Career" & Select the desired post.
4. Click on "Apply Online".
5. Fill all the details carefully & Submit the form.
6. Now take printout of online application for future use.

**Important Dates:**

| | |
|---|---|
| Starting Date to Apply Online & for Payment of Fee | 26-02-2016 |
| Last Date to Apply Online & for Payment of Fee | 14-03-2016 |
| Last Date for Editing Application Details | 14-03-2016 |
| Last Date for Printing Your Application | 29-03-2016 |
| Tentative Date of Examination | 23-04-2016 |

### HP STATE COOPERATIVE BANK RECRUITMENT 2016 – 31 JUNIOR CLERK POSTS

**HP State Cooperative Bank Recruitment 2016 – 31 Junior Clerk Posts:** Himachal Pradesh State Co-operative Bank Limited (HPSCB) has published notification for the recruitment of Junior Clerk vacancies on contractual basis under 15% quota reserved for the trained Secretaries of Primary Agricultural Credit Societies and employees of other Cooperative Societies in the Bank. Eligible candidates may apply in prescribed application format on or before 31-03-2016 by 05:00 p.m. Other information like age limit, educational qualification, selection process & how to apply are given below…

**Himachal Pradesh State Co-operative Bank Vacancy Details:**

**Total No. of Posts: 31**

**Name of the Posts: Junior Clerk**

A. For Trained Secretaries of PACS: 25 Posts

1. General: 11 Posts
2. SC: 02 Posts
3. ST: 01 Post
4. OBC: 02 Posts
5. General Ex – Servicemen: 02 Posts
6. General IRDP: 02 Posts
7. General PH: 01 Post
8. SC Ex Servicemen: 01 Post
9. SC IRDP: 01 Post
10. OBC Ex Servicemen: 01 Post
11. OBC IRDP: 01 Post

B. For Employees of Other Co op Societies: 06 Posts

1. General: 04 Posts
2. SC: 01 Post
3. OBC: 01 Post

**Age Limit:** Candidates age limit should be between 18 – 45 years (born between 01-01-1998 and 02-01-1971) as on 01-01-2016. Relaxation of age will be applicable up to 05 years for SC/ ST candidates.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Matric with 45% marks or 10+2 with 40% marks or Graduation or above of a recognised University.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on written test.

**Application Fee:** candidates should pay Rs. 600/- for Gen/ OBC/ Ex Servicemen/ WFF/ PH & Rs. 500/- for ST/ SC/ IRDP/ Antodya by demand draft drawn in favour of HP State Cooperative Bank payable at Shimla.

**How to Apply:** Eligible candidates may send their application in prescribed format with attested copies of matriculation/ 10+2 and higher qualification certificate, experience certificate, caste certificate, resolution of managing committee of concerned society relating to his/ her appointment in the society, fee & an envelope should be super scribed with "Application for the Post of Jr Clerk against reserved quota of trained Secretaries of PACS/ employee of other Societies" by regd post to the General Manager, HP State Cooperative Bank Ltd, Head Office, the Mall, Shimla – 171 001 on or before 31-03-2016 by 05:00 p.m.

**Last Date for Receipt of Application: 31-03-2016 by 05:00 p.m.**